GOVERNMENT OF MANIPUR

# SPEECH

OF

## SHRI NONGTHOMBAM BIREN SINGH

CHIEF MINISTER
MANIPUR

INTRODUCING THE DEMANDS FOR GRANTS
2022 - 2023
(VOTE ON ACCOUNT)

MARCH, 2022

মণিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি

শ্রী নোংথোম্বম বিরেন সিংহ

না

ইং ২০২২-২০২৩ গী ডিমাণ্ডস্ ফোর গ্রান্টস্

পুথোকপদা পিবা

(ভোৎ ওন একাউন্ত)

ভাষন

মার্চ, ২০২২ ইং

# BUDGET SPEECH – **2022**

মিষ্টর স্পীকর সার,

ইকাইখুম্নজরিবা স্পীকর সার, অদোমগী অয়াবা লৌজরগা ঐহাক্না চহী ২০২২–২৩গী বজেট অসি থমজগে।

২. লৈঙাক অসিগী ইহান হানবা বজেট অসি পুথোকচবা ফংজবা অসিমক ঐহাক্কী ওইনা চাউথোকচনিংঙাই অমসুং শীংথানিংঙাই ওইবা অমনি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি মীখলদা মীয়ামগী মেন্দেট অদু ঐখোয়দা পীবিরকখিবা অদুগীদমক ঐহাক্না লৈঙাক অসিগী মহুৎ শীঞ্জরগা, ষ্টেট অসিগী মীয়াম্বু ঐখোয়না উৎফম থোকপা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক অদুদা ইকাইখুম্নজরি অমদি তৌবিমল খঙবা উৎচরি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না ঐখোয়বু নুংশিবিবা অমদি তেংবাংবিরকখিবা অদুনা ঐখোয়না থৌদাং অসি ফংজবনি।

৩. মীয়াম্না ঐখোয়দা উৎপিরকখিবা থাজবা অদু ঐখোয়না অরেম্বদা মাঙহল্লোই হায়বগী অচেৎপা ফিরেপ অদু ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা ঐহাক্না থমজরি। কনা অমত্তবু অমদি হীরম অমত্তবু চিংথহন্দবা,

তংদু লৈতাবা অমদি খূমাং চাওশিনবা মণিপুর অমা ওইহনবা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্মনা পাল্লিবা অদু ফংহনবা ঙম্নবগীদমক ঐখোয়গী লৈঙাক অসিনা চোকথবা লৈতনা অমদি ওইজবা থিদনা পাঙথোকপম থোকপশিং পূম্নমক পাঙথোক্কনি। ঐখোয়গী ইকাইখুম্নজরিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা ঐখোয়বু লেপ্পা লৈতনা পূক্লিং থৌগৎপিরি, পাঙ্গল থৌনা হাপ্পিরি। ঐখোয়গী লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী থবক থৌরম কয়া অমা পায়খৎতুনা লাকপা মতম অসিদা ঐখোয়না ইকাইখুম্নজরিবা প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিগীদমক কখোকপা অমদি মশাগী ওইজবা থিদনা পাঙথোক্লিবা অসিগুম্না তৌজগে হায়না খঞ্জরি।

৪. স্পীকর সার, অদোম্না খঙবিরিবা অদুনি, অনৌবা লৈঙাক অসি মার্চ ২১ ২০২২দা ৱাশক লৌখিবা মরম্না, বজেট অসি শেম্নবগী মতম শাংনা ফংখিদে। মরম অদুনা, ঐখোয়না ২০২২-২৩গী বজেট এসটিমেটকি ভোট ওন একাউন্ট অদুতমক পুথোকচরি। মসিনা শেনবা চহী ২০২২-২৩গী অহানবা থা মরীগী মনুংদা পাংগদবা থৌদাংশিং অমদি তঙাইফদনা তৌগদবা চাদিং পুম্নমক

তৌবা ঙমহনগনি। ঐখোয়না মপূং ফাবা বজেট অমা মতুং তারকপা তারিখ অমদা পুথোক্লবা হোৎনরি। হায়রিবা মপূং ফাবা বজেট অদুনা ঐখোয়না লৈঙাক অসিনা খ্বাইদগী অহেনবা মিৎয়েং চঙগদবা থবক–থৌরমশিং অদু য়াওগনি লোয়ননা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী মফমদা ঐখোয়না থমখিবা থাজবা কয়া অদু থবক্তা ওন্থোকপগী ঐখোয়গী অপাম্বা অদুসু উৎকনি।

**সেক্সন – হ্বান**

**শেল–থুমগী ফিভম**

৫. মিষ্টর স্পীকর সার, হৌদোকচবা ওইনা ঐহাক্না ওগষ্ট হাউস অসিদা ওইরিবা শেল–থুমগী ফিভমগী মরুওইবা শক্তমশিং অদু থমজরি।

৬. সার, মমাঙগী বিঃজেঃপি না লুচিংবা লৈঙাক অদুগী শেনবা চহী অমদি কোভিদ–১৯গী লাইচৎনা য়াম্না চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনখি। লাইচৎ অদুনা, ইকনমি খ্বাইদগী ফবা অয়াম্বা লৈবাকশিং য়াওনা মালেমগী লৈবাক পূম্নমক চাউনা ফিভম শোকহনখি। মণিপুরসু লাইচৎ অসিগী অচৌবা চৈথেং ফংখি।

অদুবু, মীয়ামগী মতেং অমসুং থৌনা লৈবা অমদি মীয়ামগী কখোকপা লৈঙাক অমা ওইখিবনা ঐখোয়না লাইচৎ অদু লাকশিনবা ঙমখি। রিসোর্সকি অৱাৎপা লৈবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরবসু মমাঙগী লৈঙাক অদুনা মশাগী কম্মিটমেন্ট পূন্নমক ঙমখি। মসিদা, কোভিদ-১৯ থেংনবদা হেল্ট সেক্তরগী তঙাইফদবশিং, তলব অমদি পেন্সন পীবা, দিভেলপমেন্টেল ফণ্ডিংনচিংবা কয়া য়াওখি। মসিমক খ্বাইদগী শীংথানিংঙাই ওইবা মায় পাকপনি হায়বসি ঐহাক্কী থাজবনি অমসুং মসিনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না অচেৎপা থাজবা থম্বীবদগী ঐখোয়না মায় পাকপা ঙম্বনি।

৭. লাইচৎ অসিগী চৈথেং অমদি অতোপ্পা মালেমগী থৌদোকশিংনা মখা তানা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লবসু তশেংনা ফগৎলক্লিবা ফিভমঐখোয়না নাথৈবা য়ারোই। হৌজিক হৌজিক্কী মমলদা ২০২১-২২গী গ্রোস ষ্টেট দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জিঃএসঃদিঃপি) অসি লুপা কোটি ৩৭,৭৬০ নি হায়না পারি। মথংগী শেনবা চহী ২০২২-২৩দা হৌজিক্কী মমল অসিদা পাবদা জিঃএসঃদিঃপি অসি লুপা কোটি ৪২,৩০১গী লেভেল ফাওবা য়ৌগনি হায়না

পারি। ঐখোয়গী থাজৈ মদুদি, শেল–থুমগী ফিভম ফগৎপগী চাং অসি মখা চথখিগনি লোয়ননা শেল–থুমগী ফিভম ফগৎপগী ফিভম শোকহন্দনবা ভারত সরকারগা তান্নদুনা, তঙাইফদবা খোঙথাং পূন্নমক লৌখৎকনি।

৮. সার, মণিপুর অসি মহাক্কী শেল–থুমগী রিসোর্সকী মতাংদা কেন্দ্র সরকারদা য়াম্না চাউনা মখা পোন্দুনা লৈ হায়বসি হন্না–হন্না হায়নরক্লবা ৱাফম অমনি। হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট অসিবু লেপ্পা লৈতনা মতেং পাংবিবগীদমক ঐহাক্না থবক থৌদাং নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্বা ইকাইখুম্নজরিবা প্রাইম মিনিষ্টরবু ঙমখৈ লৈতনা তৌবিমল খঙবা ফোঙদোকচরি। অদুগা মসিদা ঐখোয়না চেৎনা থাজবা য়াবা অমদি ঐখোয়না হৌজিক হৌজিকমক ফগৎহল্লিবা চাং অসিদগী হেন্না রিসোর্সশিং ফগৎহনবা ঙম্বগী শক্তি লৈ হায়বসিনি। মসিগী মতাংদা বিঃজেঃপি না লুচিংবা মমাঙগী লৈঙাক্লা তোঙান তোঙানবা মশক থোকপা থৌরাং কয়া লৌখৎলল্লে। ঐখোয়গী ইশাগী ওইনা রেভিন্যু কল্লেক্সন হেনগৎহনবা ঙম্নবগীদমক অদুগুম্বা হান্নগী থৌরাংশিং অদু মখা

শমথবগা লোয়ননা অহেনবা অনৌবা থৌরাং কয়া হৌদোক্কনি। অসিগুম্বা মরুওইবা থবক অসি পায়খৎপদা চীং লেম্লবা হাউস অসিগী মেম্বরশিং অমদি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মতেং পীবিনবা নোল্লুকচরি।

৯. মপূং ফাবা বজেট অমা পুথোকপা মতম অদুদা অসিগুম্বা মরুওইবা ৱাফমশিং অসি চপ চানা য়াওহনজগে।

## অনৌবা লৈঙাক অসিনা অহেনবা মিৎয়েং চঙদুনা মরুওইনা পাঙথোক্কদবশিং

১০. মিষ্টর স্পীকর সার, ঐখোয়গী লৈঙাক অসিনা অহেনবা মিৎয়েং চঙদুনা মরুওইনা পাঙথোক্কদবা থবক-থৌরম খরা পঞ্জবগী খুদোংচাবা অদু লৌজগে।

১১. সার, ওন্ত্রেপ্রোনোরসিপ অমদি ষ্টার্ট অপশিং অসি রাজ্য অসিগী ইকোনোমি চাওখৎহনবদা তঙাইফদবা মচাকশিং ওই। মখোয়শিং অসি শেল-থুম লেপ্পা অমদি এমপ্লোইমেন্ট পীবদা মরু ওই। ঐখোয়না ষ্টার্ট অপশিংদা মতেং পীবসি হেনগৎহনবগা লোয়ননা

অসিগুম্বা ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপ অমদি ষ্টার্ট অপশিং অসি হিংবা ঙম্লনবা চূনবা এনভাইরোনমেন্ট অমসু শেমগৎকনি।

১২. থবক পীবগী খুদোংচাবশিংদা কোভিদ–১৯গী লাইচৎ অসি চাওনা চৈথেং পীখি। মসিনা তাকখি মদুদি ঐখোয়দা স্কীল লৈবা পার্সনেলশিং খক্ত নত্তনা রাজ্য অসিদা এমপ্লোইমেন্টকী খুদোংচাবা হেনগৎহনবসিসু তঙাইফদে হাইবসিনি। হায়রিবা হীরম অসিদা ঐখোয়না হন্দক্কী টর্ম অসিদা অহেনবা মিৎয়েং চঙগনি।

১৩. স্পীকর সার, কোভিদ–১৯ লাইচৎ অসিদা মপাঙ্গল কনবা পব্লিক হেল্টকিয়ার সিষ্টেম অমা লৈতবা য়াদে হায়বসি তাকখ্রে। মমাঙগী টর্মদা ঐখোয়না হেল্টকিয়ার সেক্তরদা য়াম্না চাওনা শেল থাদখি, মদুনা লাইচৎ অসিবু ঐখোয়না নীংথিনা লাকশিনবদা চাওনা মতেং পাংখি। লাইচৎনা মরম ওইদুনা পনথখিবা চুরাচান্দপুর মেদিকেল কলেজ অসিগী অহানবা সেসন অসি হন্দক্কী কেলেণ্ডর চহী অসিদগী হৌননবা পান্দম থল্লি। পীরিবা সার্ভিসশিং মগুণ হেনগৎহন্নবগীদমক্তা ঐখোয়না হেল্টকিয়ার সেক্তরদা হেন্না শেল–থুম থাদনবা পান্দম থল্লি।

১৪. লেবর মার্কেটতা স্কীলগী দরকার অসি য়াম্না থুনা হোংলক্লি অমদি ঐখোয়গী হৈ শিংলবা নহাশিংনা মখোয়গী হৈশিংবা অদু থাক ৱাংখৎহনবা নত্ত্রগা অনৌবা মহৈ তম্বা তঙাইফদবা লাক্লে। ঐখোয়গী মমাঙগী র্টম হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়না তোঙান তোঙানবা খোঙথাংশিং লৌখৎখ্রে অমসুং মসিদগী ফংলকপা কান্নবা অমদি পান্দম অদু ফংননবা মখা তাবা খোঙথাং চঙশিনগনি। ঐখোয়না মণিপুর স্কীল দিভেলপমেন্ট ইন্সটিট্যুট অমা লিংখৎলগনি অমদি মতুংদা ‘মণিপুর স্কীল দিভেলপমেন্ট য়ুনিভর্সিটি’ অমসু লিংখৎকনি।

১৫. ঐখোয়না মমাঙগী টর্মদা ইকো–টুরিজম দিভেলপ সাইট কয়া অমা শেমগৎখ্রে লোয়ননা মসিগী সেক্তর অসিদা অচৌবা প্রোজেক্ট কয়া অমা প্লান তৌখি। ঐখোয়না মসি মখা তানা চঙশিন্দুনা টুরিজম সেক্তরদা, মরুওইনা, ইকো–টুরিজম সেক্তরদা চঙশিনগনি মরমদি মসিগী সেক্তর অসিনা থবক পীবা অমদি শেল –থুম চাওখৎহন্নবগী য়াম্না চাওবা শক্তি লৈ।

১৬. হৌখিবা ঐখোয়গী লৈঙাক্কী মতমদা, ঐখোয়না লম্বী থোং, চখোক-চৎশিন লমদা মিৎয়েং চঙদুনা লাকখি। মসি ঐখোয়না মখা চথ্খদুনা অহেনবা থাক অমদা পুরক্কনি। কেন্দ্র সরকারগী মতেংগা লোয়ননা, তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎলি, পায়খৎলক্কনি অমদি পায়খৎনবা থৌরাং তৌরি। রেলৱে লাইন অসি ২০২৩দা ইম্ফাল য়ৌনবা পান্দম থল্লি। মসি রাজ্য অসিগী অচৌবা থৌজাল অমা ওইরগনি। রোদ সেক্তরদা, ইম্ফাল রিং রোদ, ইম্ফাল ইলেভেটেদ হাইৱে, ইম্ফাল-তমোংলোং-হাল্ফলোং লম্বী, ইম্ফাল-মাউ নেস্নেল হাইৱে লেন ৪ ওন্থোকপনচিংবশিং অসি মরুওইবা প্রোজেক্টশিংনি। রাজ্য অসিগী অতোপ্পা মফমশিংদগী হেলিকোপটর সার্ভিসশিং হৌদোক্লগনি। ইম্ফাল সহর মশক ফজহন্নবগী মচাক লৈরিবা প্রোজেক্ট অমা হায়রগদদি, সহর মনুং অসিদা কোংক্রিট লম্বী থম্বা অমদি লম্বীশিংদা পেভমেন্ট থম্বগী প্রোজেক্ট অসিনি। মসিগী থবক অসি ঐখোয়না এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্টশিং ওইনা পায়খৎনবা থৌরাং তৌরি।

১৭. লৈবাক অসিগী য়ুমথোং খুদিংমক্তা থরুবা ঈশিং ফংহন্নবগী ৰাখল্লোন অদুনা ঐখোয়গী ইকাইখুম্নজরিবা প্রধান মন্ত্রিনা জল জিৱন মিসন হৌদোকখি। মিসন অসিগা লোয়ননা নিউ দিভেলপমেন্ট বেঙ্কনা ফণ্ড পীদুনা শারিবা 'মণিপুর ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট' অসিনা মঙলান অসি মঙফাওনহল্লগনি অমদি ২০২২ লোইশিল্লকপা ফাওবদা চাদা ১০০ কোনশিন্নবা পান্দম থল্লি।

১৮. মমাঙগী টর্মদা ঐখোয়না ' স্কুল ফগৎহনসি মিসন' হৌদোকখ্রে। মসিগী মিসন অসিনা পব্লিক ইজুকেসন সিষ্টেমদা চাওনা অফবা অহোংবা পুরকখ্রে। লৈরিবা ফিভম অসিদা ঐখোয়না মিসন অসি চথখিগনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী মহৈ-মশিংগী ক্বালিটি অসি STEM (Science, Technology, Engineering, Mathematics), মহৈরোয়শিংগী ক্রিটিকেল থিংকিং ফগৎহনবা, চহী নৌরিঙৈদগী 'কোদিং' তম্বীবনচিংবদা অহেনবা মিৎয়েং থমদুনা ফগৎহনগনি। মসিনা ঐখোয়গী মহৈরোয়শিং অসি 'ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি' গী যুগ অসিদা লাম্বা পানবা ঙমহল্লগনি।

১৯. ঐখোয়গী স্পোর্টপার্সনশিংগী টেলেন্ট অমদি মখোয়না রাজ্য অসিগীদমক পুরক্লিবা মিংচৎ অসিবুনি ঐহাক্না চাওথোকচরিবসি। ঐখোয়না ঐখোয়গী স্পোর্টসপার্সনশিংগীদমক্তা মতমগা চূনবা ট্রেনিং ফেসিলিটিশিং পীনবা অহেনবা মিৎয়েং থল্লি অমদি মখোয়না নেস্নেল অমদি ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা শরুক য়াবা অমদি মেদল লৌরকপা ঙম্নবগীদমক্তা তঙাইফদবা সপ্পোর্ট অদুসু পীরগনি।

২০. মতিক চানা লমগী রেকোর্দশিং নীংথিনা থম্বা অমদি লেণ্ড রেভিন্যুগী মপূং ফাবা সিস্টেম লৈবনা ইনভেষ্টমেন্ট তৌরকপগী মরুওইবা মচাক অমনি । ঐখোয়গী ‘লেণ্ড রিসোর্স’ শিং অসিগী ইকোনোমিক পোটেন্সিএল অসি ঐখোয়না শীজিন্নগদবনি। লৈঙাক অসিগী হীরম অসিদা য়েংশিনগনি মরমদি মতিক চাবা রিফোর্মশিং অমদি হীরম অসিদা থবক পায়খৎপা অসিনা রাজ্য অসিগী ইকোনোমিক দিভেলপমেন্টতা য়াম্না মরু ওই।

২১. লৈঙাক অসিনা থাজজে মদুদি রাজ্য অসিগী চাওখৎপা অসি মরুওইরবসু, মসিগা মান্ননা দরকার ওইরিবদি মসিবু দরকার

ওইরিবা মীওইশিংদুদা মতেং পাংবসিসু মরু ওই। মমাঙগী টার্ম ঐখোয়না রাজ্য অসিগী মীমামগীদমক মখল মখা কয়াগী য়াইফ থৌরাংশিং হৌদোকখ্রে অমদি মসিগী য়াইফ থৌরাংগী স্কীমশিং অসি চাওনা মায় পাকখি। স্কীমশিং অসিগী মনুংদা য়াওরিবসি, চিফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং, চিফ মিনিষ্টরগী শোত্থরবশিংগী তেংবাং, চিফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাং, চিফ মিনিষ্টর্স ৱিদো পেন্সন স্কীম, কোভিদ এফেক্তেদ লাইভলিহুদ স্কীম নচিংবশিংনি। স্কীমশিং অসিগী মতেং ঐখোয়না মখা তানা পীখিগনি অমদি অখন্নবা খোঙথাংশিংদা মতেং পীবা হেনগৎহনগনি। মসিগী মনুংদা, সিঃএমঃঐচঃটি গী মখাদা পীরিবা হেল্থ ইন্সুরেন্স অসি হৌজিক ইমুং অমদা চহীদা লুপা লাখ ২ পীরিবা অসিদগী ইমুং অমদা চহীদা লাখ ৫দা হেনগৎপা, সিনিয়র সিটিজনশিংদা থা অমদা পেন্সন লুপা ২০০দা পীরিবা অসি থাদা লুপা ১০০০দা হেনগৎপনচিংবা অসিনি।

২২. ‘ইজ–ওফ–লিভিং’ অসি সরকার অসিনা ইহান হান্না থম্বা মিৎয়েং অমনি। স্মুট ট্রাফিক, ওপন স্পেস, রিক্রিএসনেল

ফেসিলিটিনচিংবশিংগী সার্ভিস অমদি খুদোংচাবশিং মীয়ামদা পীদুনা, ঐখোয়না রাজ্য অসিগী মীয়ামগী পুন্সিগী মহীং ফগৎহন্নবা পান্দম থল্লি।

২৩. মগুণ লৈবা পব্লিক সর্ভিস পীবা অসি লৈঙাক অমগী মরু ওইবা থৌদাং অমনি।লৈঙাক অমদি মসিগী এজেন্সিশিং অসিনা অহেনবা বজেটরি সপোর্ট পীবগা লোয়ননা ইনফোরমেসন টেক্নোলোজি কান্নবা খুদিংমক্তা য়ৌহন্দুনা, মীয়ামদা পীবা সার্ভিসশিংগী ফিভম ফগৎনবা ঐখোয়না পান্দম থল্লি।

২৪. স্পীকর সার, মীয়ামগী লুচিংবশিং অমদি পব্লিক সার্ভেন্টশিং অসি মীয়াম্না মতৌ তমজনফম ওইহনগদবনি হায়বসি ঐহাক্কী থাজজবনি। লৈঙাক অসিনা পব্লিক্কী শেল মাঙহনবা হন্থহনবদা অমদি মরম চানা চাদিং তৌবদা মিৎয়েং থমগনি। মসিনা রাজ্য অসি চাওখৎ থৌরাং অমদি মীয়ামগী য়াইফনবদা লৈজরিবা রিসোর্সশিং অসি শীজিন্নবা ঙমহল্লগনি।

২৫. ঐখোয়না হীরম অমত্তা অমসুং মফম অমত্তা চীগ্থহন্দনা চাওখৎহনবদা অহেনবা মিৎয়েং চঙবা অসিনা রাজ্য অসিগী মফম

খুদিংমক অমদি সমাজগী কাঙলূপ খুদিংমক্তা চাওখৎপগী মঙাল য়ৌহনবা ঙমহল্লগনি। মসি ফংহনবগীদমক্তা অমগা অমগা মতেং পাংনবগী লাল্লোং অমদি অফবা মহৈ ফংগদবা থবকশিং গভর্নমেন্ট মেছিনরি খক্তা নত্তনা সিভিল সোসাইটি অমদি মীয়ামগা পূন্না পায়খৎমিন্নবা চঙই। হীরম অসিদা মণিপুরগী মীয়াম পূম্নমক্তা মতেং পাংবিনবা নোল্লুচরি।

২৬. ঐখোয়না পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিংদা সমাজগী সেক্সন খরনা মতেং পীরক্তদবা য়াই অমসুং করিগুম্বদা মদুগী মায়োক্তা লৈরকপা য়াই। অদুবু ঐখোয়গী লৈঙাক্লা থাজজবদি, খুদিংমক নীংথিনা ৱারী শান্নরগা পূম্নমক্কী অফবা ৱারোইশিং পুরক্কনি হায়বসিনি। ঐখোয়না পাঙথোক্কে খল্লিবশিং অসি অচুম্বা কান্নবশিংনি, তৌরিবা খুদিংমক ষ্টেট অসিগী অমদি মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বশিং অদুনি হায়না অদুগুম্বা সেক্সনশিং অদুগা ৱাখল তামিন্ননবা হোৎনগনি। স্পীকর সার, ঐহাক্না হৌজিক রিভাই এষ্টিমেট ২০২১–২২ অমসুং বজেট এষ্টিমেট ২০২২–২৩গী মরুওইবা পোইন্টশিং অদু থমজগে।

## সেক্সন – টু

## রিভাইস এষ্টিমেট ২০২১–২২ অমসুং বজেট এষ্টিমেট ২০২২–২৩

### রিভাইস এষ্টিমেট ২০২১–২২

২৭. ২০২১–২২গী বজেট এষ্টিমেটতা অপূনবা এক্সপেন্দিচরগী এষ্টিমেট অসি লুপা কোটি ২৮,৮২৪নি। রিভাইস এষ্টিমেট (আরঃই) ২০২১–২২দা অপূনবা এক্সপেন্দিচর অদু লুপা কোটি ৩২,৫৪৮দা রিভাইস তৌখি।

২৮. বজেট এষ্টিমেট ২০২১–২২দা রেভিন্যু রিসিট অসি লুপা কোটি **২১,৫**২০নি অদুগা কেপিটেল রিসিটসনা লুপা কোটি ৪৫০৩ নি। হৌজিক্তি মসি আরঃই ২০২১–২২দা মথংশিৎনা লুপা কোটি **২১,১৯৭** অমসুং লুপা কোটি **৮৯২৮**দা রিভাইস তৌরে। কেপিটেল আউটলে অসি বজেট এষ্টিমেটতা লুপা কোটি **৫৫২৬** ওইরম্বদগী রিভাইস এষ্টিমেটতা লুপা কোটি **৭৭৯৭** ওইহন্দুনা শীংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎলে। রিসিট অমসুং এক্সপেন্দিচর

ফিগর পূন্নমক ৰেজ এণ্ড মিন্স এদভান্স অমসুং রিপেমেন্টশিংগী অপূনবা অদুনি।

২৯. রিসিট অমসুং এক্সপেন্দিচরশিং পূন্নমক্কী ফিভম অসি য়েংলগা আরঃই ২০২১–২২দা চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা বজেটরি দিফিসিট অসি লুপা কোটি **২৪২২** ওইগনি হায়না পারি। দিফিসিট অসি বিঃই ২০২১–২২দদি লুপা কোটি **২৮০০** ওই। ২০২১–২২ (আরঃই) গী ফিসকেল দিফিসিট অসি লুপা কোটি **৩৭৬১** ওইগনি হায়না পানরি। মসি জিঃএসঃদিঃপি গী চাদা **৯.৯৬**নি।

## বজেট এষ্টিমেট ২০২২–২৩

৩০. সার, ঐহাক্না ২০২২–২৩গী বজেট এষ্টিমেটতা অমুক লাকচগে। মমাঙদা ঐহাক্না পঞ্জখিবগুম, অনৌবা লৈঙাক অসিগী প্রোগ্রাম অমদি পোলিসিশিং উৎপা মপূং ফাবা বজেট অমা শেম্নগী মতম লৈখিদবনা, ২০২২–২৩গী ভোট ওন একাউন্ট অসি থমজবনি। মরম অদুনা, থমজরিবা বজেট অসি টেন্টেটিভনি অমদি মসিদা য়াওরিবা কন্টেন্ট অমদি সাইজ অসি মপূং ফাবা বজেট পুথোরকপা মতমদা চাউনা অহোংবা লাকপা য়াই।

৩১. অপূনবা রিসিট অসি লুপা কোটি **৩২৮০১**দা পারি। রেভিন্যু রিসিট অসিনা লুপা কোটি **২৩,৮৪৯** অমসুং কেপিটেল রিসিটনা লুপা কোটি **৮৯৫২** ওইগনি হায়না পারি। বিঃই ২০২২-২৩দা ষ্টেটস ওন টেক্স অমদি নোন-টেক্স রিসিটশিং অসি মথংশিংৎনা লুপা কোটি ২৪০০ অমদি লুপা কোটি ৪০০ ওইগনি পারি। সেন্ট্রেল টেক্সেস এণ্ড দ্যুটিজদা য়াওরিবা ষ্টেটকী সিয়ারদগী ফংবা রিসিট অসি লুপা কোটি **৫৮৪৭** ওইগনি পারি।

৩২. চহী ২০২২-২৩গী ওইনা, ষ্টেটকী কোন্সোলিদেটেদ ফণ্ডদগী লুপা কোটি **৩৪,২৮৪** গী অপূনবাশেনফম চাদিং তৌগনি হায়না ঐহাক্না প্রপোজ তৌজরি। সার, অপূনবা রেভিন্যু এক্সপেন্দিচর অসি লুপা কোটি **১৭,৮১৯** ওইগনি পারি। কেপিটেল আউলে অসিনা লুপা কোটি **৮৯৩০** নি।

৩৩. সার, অরোয়বদা, মথংগী চহীদা ওইরক্কদবা ফিসকেল পোজিসন অদু ঐহাক্না তেন্তক্না থমজগে। ফিসকেল দিফিসিট অসি লুপা কোটি **২৭০১** ওইগনি পারি। মসি জিঃএসঃদিঃপি গী চাদা **৬.৩৮** ওইগনি। ২০২১-২২দা চাদা ৩৮.৪৬ লৈখিবগী ওন্ন-তৈনবদা

২০২২-২৩দা অপূনবা আউটষ্টেন্দিং দেট অসি চাদা **৩৭.২১** হন্থরক্কনি হায়না পারি।

**ৱারোইশিন**

৩৪. সার, বজেট অমা পুথোকপা হায়বসি মতম মতমগী মতুং ইন্না হোংলকপা মথৌ তাই। চহী অসিদগী হৌনা ঐখোয়না বজেট অসি 'ই-বজেট' ওইনা পুথোকপা হৌরগনি, মদুনা বজেটকী দোক্যুমেন্ট খুদিংমক ইলেক্ট্রোনিক ফোর্মেটতা ফংলগনি। মসি হৌজিক লৈবাক অসিদা চৎনরক্লিবা মওং অসিগা ইরোইননা চৎননবা হোৎনবনি অমদি মসিনা মতম অমদি চাদিং হন্থহনবা ঙমহল্লগনি।

৩৫. মসিগা ইরোইননা, মিষ্টর স্পীকর সার, ঐহাক্না ২০২১-২২গী রিভাইস এষ্টিমেট অমদি ২০২২-২৩ গী বজেট এষ্টিমেট (ভোট ওন একাউন্ট) অসি চীং লেপ্লবা হাউস অসিনা অয়াবা পীবিগনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা থমজরি।